# ‘সুট্টর ওমার মাটিননা আই এসকী লিদরবু শৌগৎপা ফোংদোক্লমখি’



ওর্লান্দো, জুন ১৩ (এজেন্সী) :

ফ্লোরিদাগী ফেমিলি কোইবম থিম পার্ক কয়াগীদমক্তা মমিং লৈরবা ওর্লান্দো সিটিদা লৈবা মী য়াম্না চঙনবা গে নাইটক্লব অমদা গনমেন অমনা মথোং মরম খঙদনা নোংমৈ পংকাপ্তা কাপ্পুনা মীওই ৫০ হাৎখিবা অমসুং মীওই ৫০ হেন্না শোকহনখ্রবা মতুং ঙরাং অহিং চুপ্পা অশিবা কহচাং কয়া তপ্না তপ্না লৌথোকখি হায়রি।

চৈরকসিদা অমেরিকাগী খ্বাইদগী শাথিরবা মীয়ামদা নোংমৈ কাপ্পুনা মীওই কয়াবু হাৎখিবগী থৌদোক অদুনা নোংমৈগী ঈরাং, টেররগী মায়োক্তা চঙশিনবা লাল অমসুং লৈবাক মনুংগী টেররিজমগী মরমদা নৌহৌননা দিবেট লাকহনখিবগা লোয়ননা লোমেকরশিংনা হেন্না কনবা গন কন্ট্রোলগী লোশিং চৎনহন্নবা দিমান্দ তৌখ্রে।

এটেক্কর অদুনা নোংমাইজিংগী অয়ুক অঙনবদা নাইটক্লব অদুদা তিল্লিবা মীশিংদা নোংমৈ ওনশিন্দুনা কাপ্পা হৌখিবগা লোয়ননা মী মখল শুনা চঙবদা অথিংবা থমদবগীদমক্তা মমিং চৎলবা ক্লব অদুগী নুমিদাংগী থকপা, জগোইশাবা অমসুং দ্রেগ সোশিংদা খঙহৌদনা অপনবা পীখি।

ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না ওমার মাটিন কৌবা সস্পেক্ট অদু এ আর-১৫ অমা পায়রগা থোক্লকখি অমসুং য়াম্না শাথিবা মওংদা নোংমৈ মরু রাউন্দ ২০ রোম অহানবদা কাপখি অমসুং মদুগী মতুং মরু রাউন্দ ৪০/৫০ অমসুং অহেনবা রাউন্দ কয়া কাপখি। মহাক্না পুলিসতা অমসুং মফম অদুদা তিল্লিবশিংদা ওনশিন্দুনা কাপখি।

মমৈথংদা, পলস ওর্লান্দো ক্লবকী নোংমৈ কাপ্পদু লোইশিল্লবা মতমদা মীওই ৫০গী মথ্বাই লোমখি অমসুং মীওই দজন কয়া অরুবা ফীভমদা শোকখিবগা লোয়ননা মদু য়ু এসকী মোদর্ন হিষ্ট্রিদা খ্বাইদগী তমথিরবা মীয়ামদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক ওইখি। ইস্লামিক ষ্টেটপু শৌগৎপা ফোংদোকখিবা মীশক্কি হায়নরিবা ওমার মাটিন স্বাট টিমগী মেম্বরশিংগা নোংমৈ কাপ্নবদা শিখি।

“ঐহাক্কী ইমুং, অঙাংশিংগী ওইনা ঐহাক মতম পুম্নমক্তা মফমসিবু খুদোংথিবা অমত্তা থোক্লিঙাই ওইদবা মফমনি হায়না খনখি” হায়না ক্লব অদুগী লম্বীগী ৱাংমদা লৈবা মার্লোন মাসিনা হায়খি।

ওথোরিটিশিংনা মদু টেররিজমগী থবক থৌওং অমরা হায়না চিংনবা পোক্লি অমসুং চহী ২৯ শুরবা পোর্ট পিয়র্স, ফ্লোরিদাদগী হৌরকখিবা মাটিনগী বেকগ্রাউন্দগী মরমদা থিজিল্লি। মহাক সিক্যুরিটি গার্দ অমা ওইনা থবক তৌরমই হায়রি।

গনমেন অদুগী মপানা পুলিসতা ফোংদোকখিবদা মহাক্কী মচানুপাদু হন্দক মায়ামিদা নুপা অনী কিস তৌনদুনা লৈবা উরুবদগী শাওখি হায়খি অমসুং এটেক অদু মহাক্না শাওখিবদুগা মরী লৈনরম্বসু য়াই হায়খি।

শিখিবশিংদুগী মনুংদা মীওই ৩৯দি ক্লব অদুদা হাৎখিবনি অমসুং মীওই ১১না হোস্পিটালশিংদা শিখিবনি হায়না মেয়র বদি দায়রনা ফোংদোকখি।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিং চুপ্পা অশিবা হকচাংশিং ক্লবতুদগী হোন্দোকখি। মখোয়না অমুক্তা ষ্ট্রেটচরশিংদা হকচাং মরি মরি ক্লব মনুংদগী পুথোকখি অমসুং অচৌবা ভেনশিংদা হাপচিনখি। থৌওং অদু হঞ্জিন হঞ্জিন চথুখি। মশা য়োমশিল্লবা হকচাংশিং অদু কাউন্টি মেদিকেল ইগজামিনরগী ওফিসতা পুখি।

জোন অলামোনা পুং কয়ামুম পলসতা দান্স তৌরক্লবা মতুংদা ক্লব অদুগী মেইন রুমদা তাঞ্জা চারুদুনা চঙশিল্লুবা মতমদা গনমেনদু মতম চানা উবা ফংহৌখি। “মরিনগী মীওইশিংনা অচৌবা নোংমৈশিং পায়রগা ওইদগী য়েৎলোমদা কাপ্পা নখোয় উরব্রা? মদুমক্কি মহাক্না মীয়ামদা তৌখিবদু” হায়না মহাক্না হায়খি।

“ঐহাক্কী অহানবা ৱাখলদি, ঐহাক শিবা তারে হায়না খনখি” হায়না অলামোনা হায়খি। “ঐহাক অতোপ্পা নুমিৎ অমত্তা উবা ফংহনবীনবা লাই কন্না নীংখি।”

পলসকী পেট্রোন ইদ্দি জষ্টিসনা মমাদা মেসেজ থাদুনা হায়খি, “ইমা ঐ নঙবু নুংশি। ক্লবতা মখোয়না নোংমৈ কাপ্লে।” পুংখায়মুক লৈরগা বাথরুমদা লোৎতুনা লৈরিবা মহাক্না মমাদা অমুক, “মহাক চঙশিল্লক্লে ঐহাক শিগদৌরে” হায়না মেসেজ থারমখি। নোংমৈ কাপ্পদুদা শিখিবা মীশিংগী লিষ্টতুদা জষ্টিসকীসু হাপচিল্লম্লগনি হায়রি।

য়ামদ্রবদা মীওই ৫৩ হোস্পিটালাইজ তৌখি অমসুং মখোয় অয়াম্বা অরুবা ফীভমদনি হায়রি। ওর্লান্দো রিজনেল মেদিকেল সেন্টরগী সর্জন অমনা অশিবশিংগী মশীং হেনগৎলকপা য়াই হায়খি।

ঙরাংগী সুট্টর ওমার মাটিনগী ইমুং অদু অফঘানিষ্টানদগীনি অমসুং মহাক ন্যু য়োর্কতা পোকখি। মহাক্কী ইমুংদু তুংদা ফ্লোরিদাদা হোংখিবনি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোংদোকখি।

লো ইনফোর্সমেন্ট ওফিসল অমনা হায়খি, গনমেন অদুনা ক্লব অদুদগী ৯১১ (ইমর্জেন্সী) কোল অমা তৌরমখি অমসুং মদুদা মহাক্না ইস্লামিক ষ্টেটকী লিদর অবু বকর অল-বাঘদাদিবু শৌগৎপা ফোংদোকখি।

এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপ অদুনা এটেক অদু ওফিসল ওইনা ক্লেম তৌরকখিদে তৌইগুম্বসুং আই এসনা রন তৌবা আমাক ন্যুজ এজেন্সীনা মশক মমিং তাকথোক্তবা সোর্ছ পল্লদুনা হায়খি মদুদি, এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটর অমনা পাঙথোকখিবনি।

এটেক্কর অদুনা আই এসপু শৌগৎচরবসু গ্রুপ অদুনা এটেক অদু মাঙজৌননা থৌরাং তৌখিব্রা নৎত্রগা খঙখিব্রা হায়বদুদি শেংনা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

# বোর্দর লালগী মতাংদা এরিত্রিঅনা ইথিওপিয়াবু মরাল শীরি

অস্মারা, জুন ১৩ (এজেন্সী) :

ইথিওপিয়ানা লৈবাক অনীনা ক্লেম তৌরিবা বোর্দর এরিয়াদা এটেক অমা চথুরক্লে হায়না এরিত্রিঅনা হায়রি। অমরোমদা, ৱাফম অসিগী মতাংদা ইথিওপিয়ানা কম্মেন্ট অমত্তা ফোংদোরক্ত্রি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মিলিটরি জোন ওল্লবা বোর্দর পরিংদা লৈবা সোরোনা এরিয়াদা খুৎ থোক্ল রকখি। বোর্দরদুগী ইথিওপিয়াগী মায়কৈদা লৈবা মীশিংনা নোংমৈ কাপ্পা তাবা অমসুং ট্রুপশিং অমসুং আর্টিলরিনা বোর্দরদা চঙশিল্লকপা উবগী পাউ তম্নখি।



কুমজা ২০০০দা পিছ দিল অমনা লৈবাক অনীগী লাল লোইশিনখি তৌইগুম্বসুং মদু মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌখিদে। বোর্দরগী চপ চাবা মফম লেপ্পনবগা মরী লৈনবা মুক্নবগী ফীভমদুদা চাউরাক্না মীওই ৮০,০০০ রোম শিখ্রে।

সোরোনা সেন্ট্রেল পোইন্টদা ইথিওপিয়ানা এরিত্রিঅগী মায়োক্তা এটেক অমা চথুখ্রে। এটেক অদুগী পান্দম অমসুং মদুদগী করি করি লাকপা য়াবগে হায়বদু শেংনা খঙদ্রি হায়না নোংমাইজিংগী অহিংদা এরিত্রিঅঅন গভর্ণমেন্টকী অতেনবা ৱারোল অমনা হায়খি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা এটেক অদুদা শিখিবা অমসুং শোকখিবশিংগী মরমদা করিমত্তা পনখিদে।

মীরৈবাক্তা খোঙচৎ অমদা লৈরিবা ইথিওপিয়াগী ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর গেতাচ্যু রেদানা বি বি সীদা হায়খি, মহাক্না লাল অদুগী মরমদা তাদে।

কুমজা ২০০০দা সাইন তৌনখিবা অলজিয়র্স পিছ এগ্রীমেন্টকী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অনীনা ফ্রন্টিয়রগী চপ চাবা মফমগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট বাউন্দরি কম্মিসন্না তাখিবা রুলিং অদুবু ফাইনেল ওইহনখি।

তৌইগুম্বসুং কম্মিসন্না য়েৎনরিবা বাদমে টাউন অদু এরিত্রিঅদা লৈ হায়না রুলিং পীখিবা মতমদা ইথিওপিয়ানা অহানবদা বোর্দর দিমার্কেসনগী ৱাফমদা য়ানিংদবা ফোংদোকখি অমসুং মদুগী মতুংদা ৱারেপতু থবক্তা ওন্থোক্ত্রি ঙৈদা দাইলোগ চথনবা আপিল তৌখি।

এরিত্রিঅনা মসিবু রিজেক্ট তৌখি অমসুং মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অনী অসি লালসু নত্তবা পিছসু নত্তবা ফীভম অমদা লাকখি হায়না বি বি সীগী ইম্মানুয়েল ইশুজিনা নাইরোবীদগী ফোংদোরকখি। বোর্দরদা খুৎ থোক্নবসি মমাঙদসু য়াওখ্রে তৌইগুম্বসুং মদু য়াম্না তাংনা থোকপা ওই।

মতম শাংনা সিবিল ৱার অমা চথুরক্লবা মতুংদা এরিত্রিঅনা ইথিওপিয়াগী নীংখা তমখিবগী চহী ২৫ মপুং ফারকপগী থৌরম লৈবাক অদুনা হৌখিবা থাদা পাঙথোকখি।

# য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী দ্রোন এটেক্তা অল-কাইদাগী মীওই অনী শিখ্রে

অদেন, জুন ১৩ (এজেন্সী) :

সাউদর্ন য়েমেনদা য়ু এসকী দ্রোন এটেক্তা অলকাইদাগী মেম্বরশিংনি হায়না চিংনবা মীওই অনী শিখ্রে। মদু নুমিৎ অসিদা চথুবা খ্বাইদগী শাথিবা অনীশুবা এটেক্নি হায়না সিক্যুরিটি সোর্ছশিংনা ঙসি ফোংদোকখি।

দ্রোন অদুনা ঙরাং হবানদা লম্বীদা চেল্লিবা কার অমদা টার্গেট তৌখি অমসুং মদুদা অল-কাইদাগী মেম্বরশিংনি হায়না চিংনবা মীওই অনী শিখি। থৌদোক অদু কেপিটেল সানাগী নোংপোক্তা লৈবা মরিব প্রোভিন্সতা মখোয়না মখোয়গী কারদুদা তোংদুনা চৎলিঙৈদা থোকখিবনি।

অল-কাইদাগী য়েমেনদা লৈবা ব্রাঞ্চতু খ্বাইদগী খুদোংথিনিঙাই ওই হায়না লৌরিবা ৱাশিংটননা হৌখিবা মে ৭তা ফোংদোকখিবা অমদা অল-কাইদাগী ষ্ট্রোংহোল্দ মুকালাবু নৌনা লৌশিন্নবগী ওপরেসন শৌগৎলদুনা য়ু এস মিলিটরি পার্সনেল মশীং য়াম্না য়ামদনা দিপ্লোইদ তৌরে হায়না ফোংদোকখিবনি।

য়েমেনদা সিয়াইট হুথি রেবেলশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মরক্তা চথুরিবা সিবিল ৱারগী খুদোংচাবা লৌদুনা অল-কাইদানা সাউথ অমসুং সাউথ ইষ্টতা মখোয়গী ওপরেসন শন্দোক্লবা হোৎনখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অল-কাইদাগী মায়োক্তা এয়রষ্ট্রাইকশিং চাং নাইনা চথুদুনা লাকখি। হৌখিবা মার্চতা মুকালাগী নোংচুপতা লৈবা ট্রেনিং কেম্প অমদা চথুখিবা এয়রষ্ট্রাইক অমদা ফাইটর ৭০ হেন্না হাৎখি।

হৌখিবা চহীগী মার্চতগী পাবদা য়েমেনগী কনফ্লিক্ট অদুদা মীওই ৬,৪০০ হেন্না শিখ্রে অমসুং মীওই মিলিয়ন ২.৮ হেন্না ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে। কনফ্লিক্ট অদুনা মরম ওইদুনা য়েমেনগী মীওই মিলিয়ন ১৮ রোম হ্যুমেনিটরিয়ন তেংবাঙ ঙাইদুনা লৈরি।

য়ু এন্না হায়রি, চানবা পোৎলমশিং, ফ্যুঅল অমসুং হীদাক লাংথকশিং ফংবদা ৱাশিল্লক্লে অমসুং পোৎলমশিং অসিগী মমলশিং অতিয়া পক্না ৱাংখ্রে।

“মরুওইনা শেংলবা রেম্মদন থা হৌখিবগা লোয়ননা মসি য়েমেনগী পুৱারীদা খ্বাইদগী ফীভম শোক্লবা, ফৎত্রবা চহী ওইবা য়াই” হায়না অব্দেল সলাম অল-মহতৌরি কৌবা ইকনমিক এনালিষ্ট অমনা হায়খি।

# ‘ইমুংগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবগীদমক্তা মী হাৎপা ইস্লামগী পাউতাক্কী মায়োক্তনি’




লাহোর, জুন ১৩ (এজেন্সী) :

ইমুংগী মিংচৎ অমসুং ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবগীদমক্তনি হায়দুনা মী হাৎপগী থৌওং ইস্লামগী পাউতাক্কী মায়োক্তনি হায়না লাউথোক্লদুনা পাকিস্থানি ক্লারিকশিংগী গ্রুপ অমনা ফটৱা অমা নৎত্রগা লাইনিং লাইশোনগী ওইবা রুলিং অমা পীখ্রে অমসুং অসিগুম্বা এটেক নৎত্রগা মীহাৎ চথুবা মীওই খূদিংমক ইস্লামগী অশেংবা চৎনবীশিংগী মায়োক্তা ওই হায়খ্রে।

অয়াম্বনা নুপী অমসুং নুপীমচাশিং ওইবা পাকিস্থানি চা কয়া চহী খূদিংগী মরী মতাশিংনা ইমুংগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহল্লি হায়বগী মরালদা হাৎতোকই। মীহাৎশিং অদুগী কেস অয়াম্বা নহা ওইরিবী নুপীশিংনা ইমুংগী অনীংবা অপাম্বগী মায়োক্তা মখোয়গী পূন্সিগী পার্টনরশিং খন্নবা হোৎনবগা মরী লৈনৈ।

ক্লারিক ১০০ হেন্না য়াওবা সুনি ইটেহ্দ কাউন্সীলগী রুলিং অদু মরু ওইনা থম্মোয় শোক্লিঙাই ওইরবা মীহাৎ কয়া পরিং ওইনা থোক্লকখিবা মতুংদা লাক্লিবনি। মীহাৎশিং অদুগী মনুংদা হ্ন দক্তা মমা অমনা চহী ১৬কী মচানুপী অমবু নহা অমদা চেনখিবগীদমক্তা মৈ থাদুনা হাৎখিবগী থৌদোক য়াওরি।

“অসিগুম্বা মীহাৎশিং অসিনা ঐখোয়বু চাউখৎপগী মমি মচেৎ অমত্তা তাদবা য়াম্না তমথিবগী চৎনবী অমদা পুশিল্লক্লে” হায়না মুস্লিমশিংনা মশীং হেন্না লৈবা মীওই মিলিয়ন ১৯০গী লৈবাক অদুগী প্রোব্লেম অদুগী মতাংদা ঙরাং কাউন্সীলনা থোকখিবা ফটৱানা হায়খি।

“মশাগী অপাম্বা নুপাদা লুহোংবগীদমক্তা নুপীশিংবু হিংনা মৈ থাবা হায়বসি ইস্লামগী পাউতাকশিংগী মায়োক্তা ওই।”

কাউন্সীল অদু পাকিস্থানগী খ্বাইদগী চাউবা সেক্ট ওইরিবা সুনি ইস্লামগী বারেলবি সেক্টতা এফিলিয়েট তৌই অমসুং মখোয়না পাকিস্থানি মীশিং তঙ্খায় অমা লৈরিবা পঞ্জাব প্রোভিন্সতা ঈথিল চাউনা পীবা ঙমই।

“ঈকায় খুম্নবা কনবগী মিংদা মী হাৎপা হায়বসি অশেংবা ইস্লামগী মায়োক্তনি” হায়না কাউন্সীলগী প্রেস রিলিজ অমনা হায়খি।

হৌখিবা ইরাইদা পঞ্জাবকী কেপিটেল লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা সিটি লাহোরদা মপা অমনা মহাক্কী অনিংবগী মায়োক্তা লুহোংখিবগীদমক্তা মহাক্কী মচানুপী অমসুং মহাক্কী মপুরোইববু হাৎখি।

হৌখিবা থাদা নুপা অমগা নুপী অমগা চেনবদা মতেং পাংখিবগীদমক্তা চহী ১৬কী নুপীমচা অমা হাৎখি অমসুং মহাক্কী হকচাং অদু মৈ থাখি।

অসিগুম্বা কেসশিংদা হৌখিবা চহীদা নুপা অমসুং নুপী ৫০০ হেন্না হাৎখি হায়না হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন ওফ পাকিস্থাননা ফোংদোকখি।

চহী অসিগী ওইনা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা মীওই ২৩৩ হাৎখ্রে হায়না গ্রুপ অদুনা ফোংদোকখি।

ইমুংগী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবগা মরী লৈননা হাৎপদা চেন্নবা মীওই অয়াম্বা মরাল শীবা অমসুং ৱায়েল চথবনচিংবা অমত্তা তৌদে হায়রি।

# জেলদগী থাদোকখিবা গদাফিগী লোয়েলিষ্টশিং ত্রিপোলিদা শিরগা লৈরম্লে

ত্রিপোলি, জুন ১৩ (এজেন্সী) :

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা জেলদগী থাদোকখিবা হান্নগী লিবিয়ন লিদর মুআম্মর গদাফিগী য়ামদ্রবদা লোয়েলিষ্ট ১২গী অশিবা হকচাংশিং লৈবাক অদুগী কেপিটেল ত্রিপোলিদা লৈরম্লে হায়রি।

শিরল্লিবশিং অদু অল-রুৱাইমি জেলদা ফাজিন্দুনা থম্লকখিবা গ্রুপ অমগী মীওইশিংনি হায়না ত্রিপোলিগী জেনরেল প্রোসিক্যুটরনা কনফর্ম তৌখি।



লিবিয়াগী মালেমগী লৈবাকশিংনা শৌগৎপা গভর্ণমেন্ট ওন নেসনল একোর্দ (জি এন এ)না মীহাৎশিং অদুবু কন্দেম তৌবা ৱারোল অমা থোকখি অমসুং মীশিশিং অদুগী মরমদা ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্লবা ওর্দর তৌখ্রে হায়রি।

লিবিয়ন গভর্ণমেন্টগী হান্নগী এদভাইজর ওমর টর্বিনা হায়খি, লিবিয়াদা হৌজিক লৈরিবা লেপ্পুনা শোকচিল্লক্লিবা ফীভমদুদা মীহাৎশিংদু থোকখিবদা ঙক্লিঙাই ওইদে।

“লিবিয়া অসি মথোং মরম খঙদবা ষ্টেট অমা ওইরক্লে। লৈবাক অসিদা মথৌ তৌবা সিক্যুরিটি সিষ্টেম লৈতে, নীংথিনা মথৌ তৌবা লিগেল সিষ্টেমসু লৈতে” হায়না টর্বিনা অল জজীরাদা হায়খি।

“ৱায়েল চথরবা মতুংদা মরাল লৈরমদ্রবা মীওইশিংবু হাৎলম্বা উবসি লিবিয়াগী অৱাবগী মশক ওইরবা নুমিৎনি। মখোয়দা শীরিবা মরাল অমত্তগী ইভিদেন্স ফংদে” হায়না টর্বিনা ফোংদোকখি।

গদাফিগী লোয়েলিষ্ট খরনা মীওৎ-মীনৈগী থবক থৌওং খরা চথুখিবা ওইজরবসু মরাল লৈরমদ্রবা মীওই ১২বু অসুম্না হাৎখিবসি চুমদে হায়না মহাক্না পেন্দবা ফোংদোকখি।

জেলদগী থাদোকখিবা মীওই ১২ হাৎখিবগী পাউ অসি গদাফিগী হোমটাউন সির্টেবু কন্ট্রোল তৌনবগী শাথিরবা লাল অমা শোক্লরিঙৈ মনুংদা লাক্লিবনি।

জি এন এবু শৌগৎপা ফোর্সশিংনা হায়খি, মখোয়না সির্টেগী হিথাংফম অমসুং এয়রপোর্টপু ইস্লামিক ষ্টেটকী মখুত্তগী নৌনা লৌশিনবা ঙমদুনা গ্রুপ অদু চহী ২গী মতুংদা মনীং হলহনখ্রে।



HL-B/3096/18/05-17/05

## EMPLOYMENT NEWS

### SASHASTRA SEEMA BAL – SSB RECRUITMENT 2016 – 2068 CONSTABLE VACANCIES – LAST DATE WITHIN 30 DAYS FROM THE DATE OF ADVERTISEMENT

**SSB Recruitment 2016**

Sashastra Seema Bal (SSB) invites Application for the post of 2068 Constable (Driver) & Constable (Cook, Washerman, Barber, Safaiwala & Water Carrier) in Group-‘C’. Apply before within 30 days from the date of advertisement in the Employment News.

**Job Details :**
**Post Name :** Constable
**No. of Vacancy :** 2068 Posts
**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs. 2000/-
**Details of Vacancies :**
**Constable (Driver) only for male candidates :** 731 Posts
**Constable (Cook) male :** 349 Posts
**Constable (Cook) female :** 60 Posts
**Constable (Washer man) male :** 170 Posts
**Constable (Washer man) female :** 30 Posts
**Constable (Barber) male :** 82 Posts
**Constable (Barber) female :** 15 Posts
**Constable (Safaiwala) male :** 176 Posts
**Constable (Safaiwala) female :** 30 Posts
**Constable (Water Carrier) male :** 395 Posts
**Constable (Water Carrier) female :** 30 posts
**Eligibility Criteria for SSB Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Constable (Driver) :** Matriculation or equivalent from a recognized Board and Must possess valid Heavy Vehicle Driving license.
**For All Others Posts :** Matriculation or equivalent from a recognized board with Two years Diploma from recognized Industrial Training Institute in the trade or similar trade or One year certificate course from a recognized Industrial Training Institute or Vocational Institute with at least one year experience in the trade or Two years work experience in respective trade.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :**
**For Constable (Driver) :** 21 to 27 years
**For All Others Posts :** 18 to 23 years
**Age Relaxation :**
**SC/ST Category :** 05 years
**OBC Category :** 03 years
**Job Location :** All India
**Selection Process :** Selection will be based on Physical Standard Test , documentation & written examination.
**Application Fee :** General/OBC category candidates have to pay Rs. 50/- through IPO in favour of I.G. FTR, Hqr., SSB, Lucknow payable at Lucknow (U.P.) or Bank Draft/Banker Cheque in favour of I.G. FTR Hqr., SSB, GOI, MHA, Lucknow payable at SBI Main Branch Hazaratganj, Lucknow (Branch Code – 0000125) for Constable (Driver) and through IPO in favour of Accounts Officer, FTR Hqrs. SSB, Patna payable at Patna (Bihar) or Bank Draft/Banker Cheque in favour of Accounts Officer, FTR Hqrs., SSB, Patna payable at SBI, Sheikhpura, Rajabazar (Patna) (Branch Code – 03563) for Constable (Cook, Washerman, Barber, Safaiwala & Water Carrier). Examination fee is exempted for SC, ST & female candidates.
**How to Apply SSB Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with self attested copies of relevant documents, Sports Certificates/ Achievements, Two self attested recent passport size photographs, Application fee & two self addressed envelop of 11.5 cms x 27.5 cms with postage stamps worth Rs. 25/- to be affixed on each envelop send to The Inspector General Frontier Headquarter Sashastra Seema Bal, Sankalp Bhawan, Vibhuti Khand, Plot No TC/35-V-2 Lucknow (U.P.) – 226010 for for Constable (Driver) OR The Inspector General Frontier Headquarter Sashastra Seema Bal, Rukanpura Bailey Road, Patna (Bihar) – 800014 for Constable (Cook, Washerman, Barber, Safaiwala & Water Carrier) on or before within 30 days from the date of advertisement in the Employment News & within 45 days from the date of advertisement for remote areas.
Important Dates to Remember :
**Last Date for Submission of Application :** within 30 days from the date of advertisement in the Employment News
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application Form Link :** http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_19114_4_1617b.pdf

### SSB RECRUITMENT – 375 CONSTABLE (GD) VACANCY – LAST DATE WITHIN 30 DAYS FROM THE DATE OF ADVERTISEMENT

Sashastra Seema Bal (SSB) invites Application for the post of 375 Constable (GD) against Sports Quota. Apply before within 30 days from the date of advertisement in the Employment News.

**Job Details :**
**Post Name :** Constable
**No. of Vacancy :** 375 Posts
**Pay Scale :** Rs. 5200-20200/-
**Grade Pay :** Rs. 2000/-
**Eligibility Criteria for SSB Recruitment :**
**Educational Qualification :** Matriculation or its equivalent from a recognized board and represented a State or the Country in a National or International Competition in any of games/sports.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 18 to 23 years
**Age Relaxation :**
**SC/ST Category :** 05 years
**OBC Category :** 03 years
**Job Location :** All India
**Selection Process :** Selection will be based on Physical Standard Test , documentation & written examination.
**Application Fee :** General/OBC category candidates have to pay Rs. 50/- through IPO in favour of Accounts Officer, FHQ, SSB, New Delhi payable at New Delhi or Bank Draft/Banker Cheque in favour of Accounts Officer, FHQ, SSB, New Delhi, payable at State Bank of India, R.K. Puram, New Delhi (Branch Code- 01076). Examination fee is exempted for SC, ST & female candidates.
**How to Apply SSB Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with self attested copies of relevant documents, Sports Certificates/ Achievements, Two self attested recent passport size photographs, Application fee & two self addressed envelop of 11.5 cms x 27.5 cms with postage stamps worth Rs. 25/- to be affixed on each envelop send to The Assistant Director (Sports) Force Hqr. Sashastra Seema Bal (SSB), East Block -V, R. K. Puram, New Delhi-110066 on or before within 30 days from the date of advertisement in the Employment News & within 45 days from the date of advertisement for remote areas.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date for Submission of Application :** within 30 days from the date of advertisement in the Employment News
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application Form Link :** http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_19114_50_1516b.pdf